# মুস্লিমশিংবু পোলিটিসিয়নশিংনা ঈরাং হৌহল্লি হায়না ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্টনা মরাল শীখ্রে




জকার্টা, নভেম্বর ০৫ : কোরানবু ঈকায়বা পীখিবগীদমক্তা জকার্টাগী গভর্ণর বাসুকি তজাহজ পুর্ণামাবু মফম থাদোক্লবা হার্দকোর মুস্লিম কাংবু অমনা তকশিনখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিৎকী অহিংদা ঈরাং হায়ফেৎ কল্লকখিবা মুস্লিমশিংগী অচৌবা প্রোটেষ্ট অদু পোলিটিসিয়নশিংনা থোকহনখিবনি হায়না ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা ফোঙদোকখ্রে।

বাসুকি তজাহজা পুর্ণামা অসি মীওই মিলিয়ন ১০ গী সিটি অসিবু (কেপিটেল জকার্টাবু) লুচিংলিবা অহানবা ইঠনিক চাইনিজ পোলিটিসিয়ননি। মহাক্না মহাক্কী মফম কন্নবগীদমক্তা লাক্লিবা ফেব্রুৱারীগী মীখলদা অমুক হন্না মীরেপ ওইগনি। মীখল অসিদা মহাক্না মুস্লিম অনীগা লম্বা তৌনগনি।

থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা পাঙথোকখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱিদোদোনা মীয়ামদা ঈং-চিক্না লৈনবা আপিল তৌখি অমসুং মশক মমিংদি ফোঙদোকখিদবা পোলিটিসিয়ন খরবু অয়াম্বনা ময়ুম ময়ুমদা হন্নখ্রবা মতুংদা দাই-হার্দ দেমোন্সট্রেটর খরদা ঈরাং কনশিন্নবা থৌজিনখিবগীদমক্তা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। 'ইসা প্রেয়র্সকী মতুংদা অদুগুম্বা থৌদোক অমা থোকখিবসিদা ঐখোয়না নুংনাংবা ফাওই। কায়নরগা ময়ুম ময়ুমদা হন্নরম্বা য়াবা প্রোটেষ্টরশিং অদুবু ঈরাং কনশিনহনখি। মদু লৈরিবা ফীভমদুগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনখিবা পোলিটিকেল এক্টরশিংগী খুৎনি' হায়না ৱিদোদোনা হায়খি।

য়াম্লবা প্রোটেষ্টরশিংবু নমথনবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস অমসুং ৱাটর কেনন কাপখি। ইরাইগী প্রেয়র্সকী মতুংদা প্রোটেষ্টরশিংগী মশিং খংয়াম য়ামখৎলক্তুনা পুন্না ১৫০,০০০ ফাওবা য়ৌখি। মখোয়না প্রসিদেন্সিয়ল পেলেসকী অকোয়বদা পুল্লগা লৈখি। প্রোটেষ্টর খরনা পুলিসতা নুঙনা থাজিনখি। গাড়ী অনী মৈ থাখি অমসুং সিটিগী নেসনেল মোন্যুমেন্ট মনাক্তা মৈ চাক্লকখি, তৌইগুম্বসুং নুমিদাংৱাই ওইরকপদা দেমোন্সট্রেসন অদু মথোং মরম খঙদনা লোইশিনখি। অদুম ওইনমক, সিটিগী অৱাংথংবা নৈবরহুদ অমদা অহিং অথেংবদা পুলিস অমসুং প্রোটেষ্টর দজন খরগী মরক্তা খুৎ থোক্ল খি। সোসল মিদিয়া রিপোর্টশিংনা কনভিনিয়েন্স ষ্টোর অমা লুট তৌবা অমসুং নোংঙাল্লমদাই পুং মরি ফাওবা মীশিংনা পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিংগী মনাক্তা কেম্প তৌদুনা লৈবগী শক্তমশিং উৎখি। মখোয়না পুর্ণামাবু ব্লাসফেমিগী মরাল শীনবা দিমান্দ তৌখি।

পুলিসকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি মদুদি, ঈরাং অদুদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং ১২ না অশোক-অপন নংখ্রে। লোকেল মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, মীওই ২৩ ফাগৎখ্রে, মখোয় অয়াম্বনা অৱাংলোমদগীনি। মফমদুদা নন-মুস্লিমশিংনা মশিং হেন্না লৈবগা লোয়ননা পুলিসনা মফমদুগী সোপ্পিং অমসুং রেসিদেন্সিয়ল এরিয়াশিং গার্দ তৌরগা লৈখি। মহাক্কী ওপোনেন্টশিংনা ভোটরশিংবু নমথাক তৌনবা কোরানগী ভর্স অমা শিজিন্নখি হায়না পুর্নামানা ফাগী ওইনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা মুস্লিম গ্রুপ দজন অমনা মহাকপু ইস্লাম লাইনিং লাইশোনদা ঈকায়বা পী হায়না মরাল শীখি।

# 'ক্লিন্টন ফাউন্দেসন্না আই এস আই এসকী ফন্দরশিংদগী শেল ফংখি'



লন্দন, নভেম্বর ০৫ :

হিলারি ক্লিন্টনগী চেরিটেবল ফাউন্দেসনদা শেল দোনেট তৌখিবা কতর অমসুং সাউদি অরাবিয়াদগী ঈনাক খুনবা মীওইশিংনা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস) তসু শেল-থুমগী মতেং পাংখি হায়না ৱিকিলিক্সকী ফাউন্দর জুলিয়ন অশাইঞ্জনা ক্লেম তৌখ্রে। য়ু এস প্রসিদেন্সিয়ল মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ খরনিখক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মতমসিদা ৱিকিলিক্সকী ফাউন্দরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

দোক্যুমেন্টরি মেকর জোন পিলজরনা লন্দনদা লৈবা ইক্কেদরগী এম্বেসিদা লৌখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা অসাইঞ্জনা য়ু এসকী দেমোক্রেটিক প্রসিদেন্সিয়ল নোমিনী হিলারি ক্লিন্টন অমসুং মহাক্কী কেম্প্যেন মেনেজর জোন পোদেষ্টাগী মরক্তা থানখিবা ঈ-মেইল অমদা খুৎ থিনখি। ঈ-মেইল অদু হৌখিবা ওক্টোবরদা মহাক্কী ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মদু ঈ-মেইল কল্লেক্সন অপুন্বদা খ্বাইদগী মরু ওইবা ঈ-মেইলনি হায়না থাজে।

'মহাকনা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ওইরবা মতুং মতম শাংনা কান্নদবী কুমজা ২০১৪ গী অঙনবদা হিলারি ক্লিন্টননা মহাক্কী কেম্প্যেন মেনেজর জোন পোদেষ্টাদা ঈ-মেইল অমা থাখি। ঈ-মেইল অদুদা আই এস আই এস নৎত্রগা আই এস আই এল অসি সাউদি অরাবিয়া অমসুং কতরনা হায়বদি সাউদি অরাবিয়া অমসুং কতরগী গভর্ণমেন্টশিংনা ফন্দিং তৌই হায়না পল্লি। ঈ-মেইল কল্লেক্সন অপুন্বদা মসি খ্বাইদগী মরু ওইব ঈ-মেইলনি হায়না ঐহাক্না খল্লি হায়না অসাইঞ্জনা পিলজরদা হায়খি।

# থবক্কী ভিজা ফংদ্রিঙৈগী মমাঙদা মেলানিয়া ত্রম্পনা য়ু এসতা মোদেলিংগী থবক তৌখি



ৱাশিংটন, নভেম্বর ০৫ :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থবক তৌনবগী লিগেল পার্মিসন ফংদ্রিঙৈগী মমাঙগী চয়োল তরেৎ অদুদা মেলানিয়া ত্রম্পদা দোল্লর ২০,০৫৬ কী ওইগদবা মোদেলিংগী থবকশিংগীদমক্তা য়ু এসতা পেমেন্ট তৌখি হায়বসি চহী ২০ গী মমাঙগী লেদজরশিং, কনট্রেক্টশিংগী অকূপ্পশিং অমসুং মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিংদগী খঙবা ঙমখ্রে।

য়ু এসতা মেলানিয়ানা ঙল্লিঙৈ মতমদা তৌখিবা শেল ফংবা মোদেলিংগী থবক্কী অকূপ্পা মরোলশিং অসি অকনবা প্রসিদেন্সিয়ল কেম্প্যেনগী লোইশিল্লকপা নুমিৎ খরনিসিদা থোক্লকখিবনি। কেম্প্যেন অসিদা মেলানিয়াগী মপুরোইবা দোনাল্ড ত্রম্পনা ইম্মিগ্রেসন লোশিং অমসুং লোশিং অসিবু খোঙ্গাওনবশিংগী মতাংদা অকনবা ফীরেপ অমা লৌখ্রবনি। ত্রম্পনা গভর্ণমেন্টকী ঈ-ভেরিফাই সিষ্টেম হেন্না পাকশন্না অমসুং মহৈ য়ানগদবা মওংদা শিজিন্নবগী ৱাফম হৌদোকখি। সিষ্টেম অসিদা ইমপ্লোয়রশিংনা থবক্কী এপ্লিকান্টশিং থবক তৌনবগী ওথোরাইজেসন য়াওরব্রা য়াওদব্রা হায়বদু চেক তৌবা ঙমহল্লি। ফেন্দরেল লোনা ইলিগেল ওইবা মওংদা ইম্মিগ্রেন্টশিংদা পেমেন্ট তৌবদা অথিংবা থমই।

কুমজা ২০০১ গী মার্চতা গ্রীন কার্দ অমা ফংখিবা অমসুং কুমজা ২০০৬ তা য়ু এসগী সিটিজন অমা ওইরকখিবা মেলানিয়া ত্রম্পনা মহাক লৈবাক অদুদা লোনা য়াবা মওংদা থুংখি অমসুং মহাক্কী ইম্মিগ্রেসনগী ষ্টেটস খোঙ্গাওনখিবা শুংলৈ লৈতে হায়না মতম চূপ্পদা ফোঙদোকখি। প্রসিদেন্সিয়ল কেম্প্যেন মনুংদা মহাক্না মহাক্কী ৱারী অসি ইম্মিগ্রেসনগী মতাংদা লৈরিবা মপুরোইবগী হার্দলাইন ফীরেপপু দিফেন্দ তৌনবগীদমক্তা পনখি।

করিগুম্বা মতমদা মহাক্কী অহানবা মিং শিজিন্নদুনা মোদেল অমা ওইনা থবক তৌখিবী জি ও পিগী প্রসিদেন্সিয়ল নোমিনিগী লোয়নবী অসিনা এটোর্নি অমগী খুত্থাংদা হায়খি মদুদি, মহাক কুমজা ১৯৯৬ কী ওগষ্ট ২৭ তা স্লোভেনিয়াদগী য়ু এসতা অহানবা ওইনা বি-১/বি-২ ভিজিটর কার্দ অমা পায়রগা লাকখি অমসুং মদুগী মতুং কুমজা ১৯৯৬ কী ওক্টোবর ১৮ দা ঐচ-১ বি ৱার্ক ভিজা অমা ফংখি।

এসোসিয়েটেদ প্রেসনা ফংখিবা দোক্যুমেন্টশিংনা সেপ্টেম্বর ১০ অমসুং ওক্টোবর ১৫ গী মরক্তা মঙোন্দা মোদেলিংগী এসাইনমেন্ট ১০ গীদমক্তা শেল পীখি হায়বা উৎখি। হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা মহাক্কী ভিজানা মহাকপু য়ু এসতা লৈদুনা থবক পীবা য়াহনখি তৌইগুম্বসুং লৈবাক অদুদা পেইদ ৱার্ক তৌনবগী অয়াবদি য়াওখিদে। এ পিনা য়েংশিল্লিবা দোক্যুমেন্টশিংদুনা মোদেলিংগী এসাইনমেন্টশিং লৌবা হায়বসি মহাক্কী ভিজা অদুদা য়াফম থোক্তে হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীখি।

মেলানিয়া ত্রম্পনা মপুরোইববু মীখলদা শৌগৎপদা হেন্না মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌরকখিবগা লোয়ননা মঙোন্দা মোদেলিংগা মরী লৈনবা এসাইনমেন্টশিংগীদমক্তা পীখিবা শেনফমশিংগী অকূপ্পা মরোলশিং ফোঙদোরকখিবনি। থা কয়ামুক্কী মনুংদা অহানবা ওইনা মহাক্না শগোলশেল নুমিৎতা মহাক্কী অহানবা স্পীচ পীখি। মদুদা মহাক্না য়ুরোপতা মোদেল অমা ওইনা থবক তৌরিঙৈ মতম অমসুং য়ু এসতা লাক্লবা মহাক্না লৌখিবা ৱারেপকী মতাংদা পনখি।

# অফঘানিষ্টানদা অল-কাইদাগী টোপ লিদর ১ য়ু এসনা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা শিখ্রে : পেন্টাগোন



ৱাশিংটন, নভেম্বর ০৫ :

নোর্থ ইষ্টর্ন অফঘানিষ্টানদা হৌখিবা থাদা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা অল কাইদাগী টোপ লিদর অমা শিখ্রে হায়না য়ু এসনা কনফার্ম তৌখ্রে অমসুং মদু লাল নংলবা লৈবাক অদুদা টেরর গ্রুপ অদুদা পীবা অচৌবা চৈথেং অমনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

'য়ু এস মিলিটরিনা ওক্টোবর ২৩ দা অফঘানিষ্টানগী কুনারদা প্রেসিজন ষ্ট্রাইক অমা চথখিবদা অল-কাইদাগী সিনিয়র লিদর ফারুকল-কাটামি শিখ্রে হায়বসি ঐখোয়না হৌজিক কনফার্ম তৌবা ঙমই' হায়না পেন্টাগোনগী প্রেস সেক্রেটরি পিটর কূকনা ইরাই নুমিৎতা হায়খ্রে। অল-কাটামি অসি অল-কাইদাগী ইষ্টর্ন অফঘানিষ্টান পান্নবা এমিরনি অমসুং টেররিষ্ট গ্রুপ অসিগী য়ু এসকী মায়োক্তা এটেক কয়া শিল-লাংবা সিনিয়র প্লোট্টরশিংগী মনুংদা অমনি হায়না মহাক্না হায়খি।

'মসিগী মায় পাক্লবা ষ্ট্রাইক অসি ইন্টরনেসনেল টেররিষ্ট নেটৱার্কশিংবু চাং তাহন্নবা অমসুং য়ু এস হোমলেন্দদা, ঐখোয়গী ইন্টরেষ্টশিং অমসুং ঐখোয়গী মীচংশিংদা এটেক তৌনবা হোৎনরিবা টেররিষ্ট লিদরশিংবু টার্গেট তৌবা য়ু এসকী ওপরেসনশিংগী অতোপ্পা খুদম অমনি' হায়না কূকনা হায়খি।

পেন্টাগোনন্না অল-কাটামিবু চহী ৪ চুপ্পা কোইতান-তান্নদুনা লাকখি। ওসামা বিন লাদেনবু কুমজা ২০১১ দা য়ু এসনা পাকিষ্টানদা লৈবা মহাক্কী কম্পাউন্দদা রেইদ চথদুনা হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক অল-কাইদাগী মকোক অসিগা মতম শাংনা মরী লৈনখি।

লৈবাক অদুদা বিলালাল-উতাবি কৌবা অল কাইদাগী অতোপ্পা লিদর অমসু তোঙানবা ষ্ট্রাইক অমদা টার্গেট তৌখি তৌইগুম্বসুং এটেক অদুগী রিজল্টশিং হৌজিক ফাওবা খঙদনা লৈরি। ষ্ট্রাইক অদুগী রিজল্টশিং ঐখোয়না হৌজিকসু লেপথোক্লবা হোৎনরি হায়না পেন্টাগোনগী প্রেস সেক্রেটরিনা হায়খি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT: PLANNING DEPARTMENT

NOTIFICATION
Imphal, the 4th Nov, 2016

No.1/57/2015-Plg(Pt-1): In continuation of this Department's Notification No 1/57/2015-Plg dated 20th June,2016, and dated 12th Oct,2016 regarding the appointment of 9 Grade-IV in Planning Department, Manipur it is to inform that the interview will be held during 9-11,November,2016 as per the schedule given below:

| Sl No | Date | Roll No |
|---|---|---|
| (i) | (ii) | (iii) |
| 1 | 9-11-2016 | (1-80) |
| 2 | 10-11-2016 | (81-160) |
| 3 | 11-11-2016 | (161-above) |

2. The personal interview/viva voce will start by 10 am in the office chamber of the Director, Planning Department Manipur, Imphal in all three days. All candidates are requested to appear the interview/viva-voce as per the schedule given above. No complaint whatsoever, from any candidates who fails to appear the interview/viva voce will be entertained.

3. All the Candidates are required to bring the original Admit card. No candidate will be allowed to appear viva-voce without Admit Card. Furthur, all the candidates are required to bring relevant documents/testimonials in original in support of their academic/age/ST/SC and OBC.

Sd/-
Dr. Th. Munindro Singh
Director
Planning Department

HL-B/3448/05&06

# আই এসনা খুৎ হল্লকপদগী মোসুলদা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখ্রে



মোসুল (ইরাক), নভেম্বর ০৫ :

ইরাকি স্পেসল ফোর্সশিংনা মোসুল সিটিগী অর্বান এরিয়াশিংদা হেন্না মনুং হঞ্জিন্না এটেক তৌখিবা অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংনসু এটেক অদুবু অকনবা মওংদা থেংনখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিৎতা মোসুলগী নোংপোক থংবা নৈবরহুদশিংদা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখ্রে। ইস্লামিষ্টশিংনা কাপ্পলকখিবা রোকেট অমনা পানবদগী অব্রহমস টেঙ্ক অমসু মথৌ তৌবা য়াখিদ্রে হায়রি।

আই এসনা মনাক নকপা বিল্ডিং অমদগী কাপ্পলকখিবা রোকেট অমনা টেঙ্ক অমদা হিট তৌবদগী মৈখু কারবা ভেহিকল অদুদগী ক্রুশিং অশোক-অপন থোক্তনা নাম্থোকহৌখি। ইরাক্কী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি অদুদগী আই এসপু তকথোক্লবা চয়োল অনী হেনবগী মমাঙদা ইরাকি ওফেন্সিভ হৌখিবদগী মোসুলগী লাল অদু অকনবা অর্বান কোম্বেট ওইখি।

স্পেসিয়ল ফোর্সশিংগী লৈফমগী নোংচুপতা লৈবা কুদস দিষ্ট্রিক্টশিং, অদেন অমসুং টহরিরদা অর্টিলরি অমসুং মোর্টার ষ্ট্রাইকশিংগা লোয়ননা অয়ুক অঙনবদগী চঙশিনবা হৌখি হায়না লেফটনেন্ট কর্নেল মুহানাদ অল-টিমিমিনা এসোসিয়েটেদ প্রেসতা হায়খি। নাকল অনীমক্লা নোংমৈ মচাশিং অমসুং মোর্টার কাপ্পগা লোয়ননা লাল অদু হৌখি। মদুগী মমাঙদা মখোয়না চঙশিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা স্পেসিয়ল ফোর্সশিংনা অর্টিলরি বরাজ অমা কাপখি।

তুংদা আই এসনা পায়শিল্লিবা টেরটরিদগী বুলদোজর অমগা অতোপ্পা কার অমগা থোক্লকখি। মখোয়দু এক্সপ্লোসিভশিংগা লোয়ননা সুইসাইদ এটেকশিং চথনবা থোক্লকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগী সপোর্টকা লোয়ননা ইরাকি ফোর্সশিং অমসুং মীচং ওইবা কর্দিশ ক্রুপশিংনা মায়কৈ খুদিংমক্তগী এটেক চথখিবগা লোয়ননা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা মোসুল পায়শিন্নবা লাল শোক্লরি।



HL-B/3401/20/10-19/11

## EMPLOYMENT NEWS

### Centre for Railway Information Systems – CRIS Recruitment 2017 – 20 Assistant Software Engineer Vacancy – Last Date 02 December 2016

**CRIS Recruitment 2017 – 2016**

Centre for Railway Information Systems invites application for the post of 20 Assistant Software Engineer. Apply Online before 02 December 2016.

**Job Details :**

Post Name : Assistant Software Engineer
No. of Vacancy : 20 Posts
Pay Scale : Rs.44900/-

**Eligibility Criteria for NALCO Recruitment :**

Educational Qualification : B.E / B.Tech in Computer Science & Engineering or Computer Science or Computer Technology or Information Technology or Computer Science & Information Technology or Computer Applications, or MCA or B.Sc (Computer Science – 4 Year degree course).

Nationality : Indian
Age Limit : 22 to 27 years As on 02.12.2016

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on the GATE-2016 Marks.

**Application Fee :** Candidates Have to Pay Rs.1000/- though Challan. No Fee for SC/ST/PWD candidates or women candidates.

**How to Apply NALCO Vacancy :** Interested Candidate may apply Online through the Website www.cris.org.in from 02.11.2016 to 02.12.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date for Submission of Online Application : 02.11.2016
Last Date for Submission of Online Application : 02.12.2016
Last Date for Submission of Application Fee at SBI : 07.12.2016

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : https://cdn4.digialm.com//per/g22/pub/1062/EForms/image/ImageDocUpload/0/1113192063911893432576.pdf

**Apply Online :** https://www.digialm.com/EForms/html/form50435/Instruction.html

### National Aluminium Company Limited – NALCO Recruitment 2017 – 55 Graduate Engineers Vacancy – Last Date 03 December 2016

**NALCO Recruitment 2017 – 2016**

National Aluminium Company Limited invites application for the post of 55 Graduate Engineers in the disciplines of Mechanical, Electrical, Civil & Chemical Engineering. Apply Online before 03 December 2016.

**Job Details :**

Post Name : Graduate Engineer (Mechanical, Electrical, Civil & Chemical)
No. of Vacancy : 55 Posts (Mechanical–22 Posts, Electrical–23 Posts, Civil- 04 Posts, Chemical-06 Posts)
Pay Scale : Rs.16400- 40500/-

**Eligibility Criteria for NALCO Recruitment :**

Educational Qualification : Full-Time Bachelor's Degree in Engineering /Technology from a recognized University/ Institute.

Nationality : Indian
Age Limit : 30 years As on 04.11.2016

**Job Location : Odisha**

**Selection Process :** Selection will be based on the GATE-2016 Marks and Interview.

**How to Apply NALCO Vacancy :** Interested Candidate may apply Online through the Website http://www.nalcoindia.com from 04.11.2016 to 03.12.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 04.11.2016
Last Date for Submission of Online Application : 03.12.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://www.nalcoindia.com/Advertisement.pdf
Apply Online : http://www.nalcoindia.com/Careers.aspx#

### Join Indian Army Recruitment 2017 – 125th Technical Graduates Course (40 Vacancies) – Last Date 07 December 2016

**Join Indian Army Recruitment 2017 – 2016**

Indian Army invites Application from Married/unmarried Male Engineering Graduates for 125th Technical Graduates Course (Commencing in July 2017 at Indian Military Academy) for Permanent Commission in the Indian Army. Apply Online before 07 December 2016.

**Job Details For Indian Army :**

Post Name : 125th Technical Graduates Course
No. of Vacancies : 40 Posts
Pay Scale : Rs.21000/-

**Eligibility Criteria to join Indian army Recruitment :**
Educational Qualification : Candidates Should Have Passed the requisite engineering Degree Course or be in the final year of Engineering course.

Nationality : Indian
Age Limit : 20 to 27 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made through Shortlisting & Interview.
**How to Apply Indian Army Vacancy :** Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in from 08.11.2016 to 07.12.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 08.11.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 07.12.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://joinindianarmy.nic.in/writereaddata/Portal/Notification/186_1_NOTIFICATION_TGC_125_COURSE.pdf
Apply Online : http://joinindianarmy.nic.in/Authentication.aspx